**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য পুলিসনা হায়রি- নমদুনা শেল খায়বগী থবকশিং থিংনবা জিলা জিলাশিংদা এন্তি এক্সতোর্সন সেলশিং হাংদোক্লে।

আইন্না য়াদবা মীওইশিংনা মীয়ামদগী নম হাদুনা শেলখায় খায়বগী থবক হেনগৎলক্লিবা অসি থিংনবা হোৎনবদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবা আপীল তৌরি।

২) হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা খুল অমদি মীশিং কা হেন্না হেনগৎলকপগী থৌওং অসি সরকারনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কুপা য়েংশিনবা হৌরে।

৩) প্রাইম মিনিষ্টর ইন্টর্নসিপ স্কিম, ২০২৪ গী রেজিষ্ট্রেসনগী থবক ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দগী হৌখ্রে।

৪) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি লৈবাক অসিগী ঙমখৈ লমশিংদা লুপা কোতি লিশিং ২,২৩৬ কী তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট ৭৫ ভারচুয়েল ওইনা শঙ্গাদুনা জাতিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

অমসুং

৫) ৪৩ শুবা রাজ্য থাক্কী মণিপুর মাষ্টরস এথলেটিক মিট ঙসিদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ আইন্না য়াদবা মীওইশিংনা মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বগী থবক হেনগৎলক্লিবা অসি থিংনবা হোৎনবদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবা রাজ্য পুলিসনা হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট এস.পি ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকপা পাউমী মীফমদা আই.জি.পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইরিবা কে. জয়েন্তনা হায়- হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী মরক্তা আইন্না য়াদবা খুৎলায় পায়বা মীওই কয়ানা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বগী চাংসু হেনগৎলক্লি। শেলখায়গা মরী লৈননা বোম লংশিনবা, নোংমৈ কাপশিনবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। ওইরক্লিবা ফিভম অসি ঐখোয় পুন্না থিংমিন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- মমাং চহিগী মে ৩ দগী হৌরকখিবা ইরাং অসিগী মনুংদা পুলিস ষ্টেসনশিংদগী লাকখিবা নোংমৈশিং মীয়ামদা কিহন খঙহনবা অমদি শেল খায়বদা শিজিন্নরব্রা হায়বগী চাউনা চিংনবা লৈরে। কনাগুম্বা মীওইশিংনা শেনখায়গা মরী লৈননা কিহল্লকপগী থৌদোকশিং লৈরবদি মীয়ামা পুলিসতা খুদক্তা পাউ পীবীয়ু। আইন্না য়াদবা থবকশিং থিংনবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং য়াওদনা পুলিস খক্তনা ঙমলোই।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা আই.জি.পি (ইন্তেলিজেন্স) কে. কবিবনা হায়- নমদুনা শেল খায়বগী থবকশিং থিংনবা জিলা জিলাশিংদা এন্তি এক্সতোর্সন সেলশিং হাংদোক্লে। হায়রিবা সেল অসিগী মখাদা নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবা হৌরে। হৌখিবা চহি অমরোম অসিদা আইন্না য়াদবা থবকশিং তৌবদা চেন্নবা পুন্না মীওই ২৫০ রোম ফাগৎপা ঙমখ্রে। অদুগা নম হাদুনা মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওই ১২১ রোমসু ফাগৎখ্রে। মহাকা হায়- নেসনেল হাইৱেশিংদা মাল পুবা গাড়িশিং নিংথিনা চৎথোক চৎশিন তৌবা ঙমবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কম্পনি ১৬ শিজিন্নরি।

মরক অসিদা, নোংমদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মমল হেনগৎলকপা থিংনবা অমদি নমদুনা শেল খায়বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা অন্দ্রো মৈরা পায়বী অপুনবা লুপনা শিন্দুনা ৱাকৎ মীফম অমা ঙসি অন্দ্রো মমাং লৈকাই কৈথেল শঙদা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎলকপা থিংঙু, মীচম মীয়ামদা কিহনবা লেপ্পু, নেসনেল

হাইৱেশিংদা অশোই অঙাম য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লু হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী সদস্যশিং য়াওবা মণিপুর দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স (এম.দি.এ)গী কাংবুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়াগা উন্নখ্রে। মখোয়না রাজ্য অসিগী চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱা খন্নখি।

হান্নগী লোক সভা সদস্য ডাঃ থোকচোম মৈন্যনসু ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপালগা ডন্নখ্রে।

ওল মণিপুর ইলেক্তেদ পি.আর.আইজ ২০১৭ কী এদহোক কমিতিগী মীহুৎশিংনসু ঙসি নুমিদাংৱাইরম রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়াগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। মখোয়না রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা পি.আর.আইশিংগী ফিভমগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমসু রাজ্যপালদা পীশিনখি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক ফাওবদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীগী মশিং লিশিং ১,৩৫৩ য়ৌরে।

নেসনেল ভেক্তর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রাম মণিপুরগী ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯৩৮ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইদুনা খ্বাইদগী চাং ৱাংবা জিলা ওইরি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলানা মীওই ২৮৫ পোজিতিভ ওইদুনা চাং খ্বাইদগী ৱাংবদা অনিসুবদা লৈরি। অদুগা বিষ্ণুপুর জিলাদনা মীওই ৪৩ পোজিতিভ ওইরে অদুগা মীওই অমা শিখ্রে। থৌবাল জিলাদসু পোজিতিভ ওইবা মীগী মশিং ৪৩ শুরে। তেংনৌপল, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল অমসুং জিরিবাম জিলাদা হৌজিক ফাওবদা দেঙ্গিগী কেস অমত্তা থেংনদ্রি।

ফারমর (এল)ঃ ভারত সরকারগী লৌউ শিংউ মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা রিজনেল সেন্তর ফোর ওর্গানিক এন্দ নেচরেল ফার্মিং ইম্ফালনা শিন্দুনা ওর্গানিক

ফার্মিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী শঙাইলেন ওর্গানিক এফ.পি.সিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু গ্রিন বাইওটেক ইকো সোলুসন্স ইম্ফালগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা লৌমী ৫০ রোমা শরুক য়াখি।

পিএসও (এল)ঃ পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী ১৬ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসাদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাং, লিলোং হায়র সেকেন্দরি মাদ্রাসাগী প্রিন্সিপাল ৱাংখেম রামেশ্বরনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

প্রাইজ (এল)ঃ হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা খুল অমদি মীশিং কা হেন্না হেনগৎলকপগী থৌওং অসি সরকারনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কুপা য়েংশিনবা হৌরে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোন্থৌজম কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা ফ্রি প্রোগ্রেস একাদমি কোন্থৌজমগী ওজাশিংগী নুমিৎ অমদি ঐচ.এস.এল.সি পরিক্ষাদা মায় পাক্লক্লবা অফবা মহৈরোইশিং মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মন্ত্রি রঞ্জন্না হায়- রাজ্য অসিগী মফম খরদা খুল মশিং কা হেন্না হেনগৎলকপা অমদি খুল মমিং পংথোনদা থোনবগী ফিভম অমা লাক্লিবা অসি থিংনবা সরকারনা থবক পায়খৎলি। সরকারনা মশক খঙদবা খুলশিং খুদোংচাবা পীদনবা হন্দক পাঙথোকখিবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমসু ৱারেপ লৌখিবা লৈখ্রে। মহাকা হায়- অঙাং অমা হেক পোকপগা আধার লিঙ্ক অমদি বার্থ রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা থৌরাংসু সরকারনা পায়খৎলে।

দিঙ্গো (এল)ঃ সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগ অসি অপিকপা বিভাগ অমা ওইরবসু মীওইবা খুনাইগী য়াইফনবা থবক তৌরিবা দাইত্ব লৈবা বিভাগ অমা ওইরি।

সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগ অমসুং ইন্দোল মায়পাকপী মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোকপা ইন্দোল মায়পাকপী মেমোরিয়েল বেষ্ট অঙ্গনৱাদি সেন্তর এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিগী ওইনা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পরশিংগী থবক তৌবগী চহি শাংদোকবা সরকারনা খন্নরি। মহাকা হায়- অফবা খুনাই অমা শেন্বদা অঙ্গনৱাদি সেন্তরশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা কৈবী কুমুদা অঙ্গনৱাদি সেন্তর, পৌরাবী অৱাং লৈকাই অঙ্গনৱাদি সেন্তর অমসুং পৌরাবী অঙ্গনৱাদি সেন্তরদা খ্বাইদগী ফবা অঙ্গনৱাদি সেন্তরগী মনাশিং পীখি।

রেজিষ্ট্রেসন ঃ প্রাইম মিনিষ্টর ইন্টর্নসিপ স্কিম, ২০২৪ গী রেজিষ্ট্রেসনগী থবক ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দগী হৌখ্রে। চহি অসিগী বজেৎতা হান্না লাউথোকখিবগুম ইনিসিয়েতিভ অসিনা নহা ওইরিবা মীওইশিংদা থা ১২ গী ইন্টর্নসিপ পীদুনা মখোয়গী পুন্সিদা মায় পাকপা করবারৱালা অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা স্কিম অসি হৌদোকপনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- স্কিম অসিনা চহি ২১ দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংদা লাক্লিবা চহি মঙা অসিগী মনুংদা ভারতকী মকোক থোংবা কম্পনি ৫০০ দা থবক ফংহন্নবা তৌগনি। পোর্তেল অসিদা হৌজিক ফাওবদা কম্পনি ১৯৩ দা নহা লিশিং ৯১ রোম ইন্তর্টর্নসিপ তৌবগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে। শেনবা চহি ২০২৪-২৫ অসিদা পুন্না নহা লাখ ১ লিশিং ২৫ দা ইন্টর্নসিপ তৌবগী খুদোংচাবা পীনবা সরকারনা পান্দম থল্লি। মসি ওনলাইন পোর্তেল পি.এম. ইন্টর্নসিপ দোট এম.সি.এ দোট গোভ দোট ইনদা চত্থগনি। ইন্টর্নসিপ তৌরিবা মীওই অমনা চহি অমা চুপা থা থাগী ওইনা লুপা লিশিং ৫-৫ অমসুং গ্রান্ট ওইনা লুপা লিশিং ৬ ফংগনি। মসিগী খুদোংচাবা অসি রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৩৬ মক্কী জিলা ৭৩৭ তা ফংগনি। খুদোংচাবা অসি ওইল, গ্যাস এন্দ ইনর্জি, ত্রাভেল এন্দ হোস্পিতালিতি, ওতোমোতিভ এন্দ বেঙ্কিং অমসুং ফাইনান্স সার্ভিসেস য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম ২৪ দা পীগনি।

কেন্দিদেটশিংনা ইন্টর্নসিপ অসিগীদমক ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৫ ফাওবদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী লৈবাক অহুম- অলজেরিয়া, মৌরিতানিয়া অমসুং মালাৱিগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। মসি ভারতকী রাষ্ট্রপতি অমনা আফ্রিকাগী লৈবাক অহুম অসিদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। ভারতকী প্রসিদেন্সিকী মতমদা আফ্রিকা য়ুনিয়নবু জি-ত্বেন্তিগী পার্মেনেন্ট মেম্বর অমা ওইহনখিবা অদুগী চহি অমগী মতুংদা ঐতিহাসিক ওইরবা রাষ্ট্রপতিগী খোঙচৎ অসি হৌগদবনি। চয়োল অমরোমগী রাষ্ট্রপতিগী খোঙচৎ অসিদা মহাকা লৈবাকশিং অদুদা লৈবা ভারতমচাশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নগনি অমসুং লৈবাকশিং অদুগী লুচিংবশিংগসু তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱারী শান্নগনি।

রাষ্ট্রপতিগী খোঙচৎ অসিগী অহৌবদা হয়েং অলজেরিয়াদা চৎকনি। মফমদুদা মহাকা লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতিগা উন্নগনি অমসুং ইন্দিয়া-অলজেরিয়া ইকোনোমিক ফোরম অমসুং সিদ্দি অবদেলা সাইন্স এন্দ টেকোলোজি পোল য়ুনিভর্সিতিদা ৱা ঙাংগনি। মদুগী তুংদা রাষ্ট্রপতিনা থা অসিগী ১৬ তা মৌরিতানিয়াদা চৎকনি। মথং নুমিৎতগী থা অসিগী ১৯ ফাওবনা মহাকা মালাৱিদা চৎকনি।

হরিয়ানা ঃ  হরিয়ানাগী অনৌবা সরকার লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা পঞ্চকুলাদা ৱাশক লৌগনি। হরিয়ানাগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি মনোহরলাল খতারনা পাউমীশিংদা হায়- থা অসিগী ১৭ তা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলগী সদস্যশিং ৱাশক লৌনবা প্রধান মন্ত্রিগী ইঙ্গিৎ ফংলে।

হরিয়ানা বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা হন্দক্কী অসি থারগা থংনা থংননা অহুম্লক মায় পাক্লে। সিট ৯০ লৈবা রাজ্য বিধান সভাদা বি.জে.পিনা সিট ৪৮ অদুগা কংগ্রেসনা সিট ৩৭ ফংখি। বি.জে.পিগী চুংশিন্নরিবা ইন্দিয়ান নেসনেল লোক দলনা সিট ২ অদুগা ইন্দিপেন্দেন্টনা সিট ৫ ফংখি।

রাজনাথ ঃ   লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী লমদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি বোর্দর রোড ওর্গনাইজেসন (বি.আর.ও)না লুপা কোতি লিশিং ২,২৩৬ চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট ৭৫ ভারচুয়েল ওইনা শঙ্গাদুনা জাতিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। প্রোজেক্টশিং অসি অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎ য়াওনা ঙমখৈগী রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১১ দা শেমগৎপনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- ২০১৪ দা এন.দি.এ সরকার লাক্ত্রিঙৈগী মমাংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পুমলেপ লেপ্লম্মি অমসুং অৱাং নোংপোক অমদি ঙমখৈগী রাজ্যশিংদা চাওখৎপগী মমি উরমদে। অদুবু কেন্দ্রদা এন.দি.এ সরকার লাকপদগী অৱাং নোংপোক অমসুং ঙমখৈগী রাজ্যশিং চাওখৎপগী লম্বীদা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা মান্ননা পুখৎলক্লে। শ্রী রাজনাথনা হায়- মফমশিং অসিদা ঙাকশেলগী লমদা চাওখৎহনবগী তঙাইফদবদু য়েংদুনা দরকার লৈবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলে।

মহাকা ঙসি লম্বী ২২, থোং ৫১ অমদি অতৈ প্রোজেক্ট অনি শঙ্গাখি। মসিগী মনুংদা জম্মু কাশ্মীরগী ১৯, লদাখকী ১১, অরুনাচল প্রদেশকী ১৮, উত্তরাখন্দগা ৯, সিক্কিমগী ৬, হিমাচল প্রদেশকী ৫, নোংচুপ বঙ্গলা অমসুং রাজস্থানগী ২-২ অমসুং নাগালেন্দ অমসুং মিজোরমগী অমমম য়াওরি।

বিরলা ঃ   হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৭ ফাওবা জেনেভাদা চথ্থগদৌরিবা ইন্তর পার্লিয়ামেন্টরি য়ুনিয়নগী ১৪৯ শুবা এসেমব্লিদা লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা ভারতকী সংসদকী মীহুৎ কাংবু অমা লুচিংগনি। শ্রী বিরলানা এসেমব্লি অদুদা তুংদা হেন্না শান্তি লৈবা অমসুং সষ্টেনেবল ওইবা ফিভম লৈহন্নবগীদমক সাইন্স, টেকোলোজি অমসুং ইনোভেসন শিজিন্নবা হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংগনি। মহাকা য়ুনিয়নগী গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফমদসু ৱা ঙাংগনি অদুগা থা অসিগী ১৪ দা জেনেভাদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু উন্নগনি। মসিগী মথক্তা শ্রী বিরলানা লৈবাক কয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরশিংগসু উন্নগনি।

ভারতকী মীহুৎ কাংবু অদুদা রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন হরিবন্স সিংহ, সভা অনিমক্কী সেক্রেটরি জেনেরেলশিং অমসুং অতৈ সংসদ সদস্যশিং য়াওরি।

দসেরা ঃ লৈবাক্কী মফম কয়াদা ঙসি ধর্ম্মগী ওইবা মহৌশাদগী চৎনরকপা মওংদা হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা দসেরা কুম্মৈ পাঙথোক্লি। ফত্তববু অফবনা জয় তৌবা উৎপা ওইনা কুম্মৈ অসি পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসিদা ভগবান রামনা রাবনবু হাৎখি হায়না থাজনৈ। থাজবা অসিগা লোয়ননা রাবন, কুম্ভ কর্না অমসুং মেঘানাথকী মুর্তিশিং মৈ থাবগী চৎনবী পাঙথোক্কুনা লাক্লি। কুম্মৈ অসিনা দুর্গা পুজা অমসুং নবরাত্রিগী লোইশিনবগী থৌরম ওইরি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা দিল্লিগী লাল কিলা মৈদানদা শ্রী ধর্মিক লিলা কমিতিনা শিনবা দসেরাগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। থোইদোক হেন্দোকপা মওংদা শ্রীরাম লিলা সোসাইতিনা দিল্লিগী দ্বারকা সেক্তর টেনদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা ফুট ২১১ ৱাংবা রাবনকী মুর্তি শারে হায়রি। রাম লিলা সোসাইতিগী মতুংইন্না মসি শেম শাবদা থা মরি চংখি হায়রি।

বিজয়া দসমিগা মরী লৈননা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি দার্জিলিংগী সুকা কেন্টোনমেন্টতা শাস্ত্র পুজা পাঙথোকখ্রে।

এথলেটিক্স (এল)ঃ ৪৩ শুবা রাজ্য থাক্কী মণিপুর মাষ্টরস এথলেটিক মিট ঙসিদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

মণিপুর মাষ্টরস এথলেটিক এসোসিয়েসন্না শিনবা নুমিৎ নিনিগী ওইবা এথলেটিক মিট অসিদা নুপা অমসুং নুপী পুন্না মাষ্টর এথলেট ২০০ রোমা শরুক য়ারি। মিট অসিদা চহি ৩০ দগী ৯০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মাষ্টর এথলেটশিংনা তোঙান তোঙানবা চহি কাংলুপ অমসুং মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নরি।

ক্রিকেট ঃ  নুপীগী টি-ত্বেন্তি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা হৌজিক বঙ্গলাদেশকা খা অফ্রিকাগা শান্নরি। খা আফ্রিকানা মেটচ অনি থোইব্গা লোয়ননা গ্রুপ অসিদা অনিসুবা পোজিসনদা লৈরি। ঙসিগী মেটচ অসি মখোয়না থোইরবদি খা অফ্রিকা সেমি ফাইনেলদা চংলবা য়াবগী চাউনা খুদোংচাবা লৈ।

টিটি ঃ   কজাকস্থানগী অষ্টানাদা শান্নবা এসিয়ান টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী আইহিকা মুখর্জি অমসুং সুতিরথা মুখর্জিনা খা কোরিয়াগী কিম নায়োং অমসুং লি অয়ুনয়েবু ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। ভারতকী জর়া অসিনা হয়েং সেমি ফাইনেলদা জপানগী মিৱা হরিমোতো অমসুং মিয়ু কিহারাগা থেংনগনি।

মরক অসিদা, নুপাগী সিঙ্গলসতা মনুংস সাহ অমসুং মানব থাকর রাউন্দ ওফ সিক্সতিনদা চংবা ঙমখ্রে।

------